হুইয়েন লানপাউ

তরেৎশুবা পে কমিসনগী সেন্ট্রেল পে ফিক্সেসন্দা নর্সিং এলাৱেন্স ককখিবগী মায়োক্তা চখবা ইন্দিয়া পুন্নবগী খোঙজংদা রিমসকী নর্সশিংনা শরুক য়াবগী শক্তম




স্বাছ ভারত মিসন কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ রিতানা হোস্পিটাল কেম্পস মনুং লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা দষ্টবিন য়েন্থোকপা




চান্দেল এ দি সীগী থবক থৌরমশিং ইম্ফালদা চলাইবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কমিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ ট্রাইবেল রাইটস, চান্দেল ওফিস ছো লোনবগী শক্তম



স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হেল্‌ঠ কম্মিস্নার, চান্দেলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং সী এম ওগী মখাদা মোরে হোস্পিটাল শেংবা



Vol. 39, Issue No. 341 | থাংজ, ফাইরেল ১৯নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, February 27, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৩.৬৪ °C | ১৩.৮৮°C |
| চান্দেল | ২৭.৬৭ °C | ১৩.০১°C |
| সীসীপুর | ২৩.৫০ °C | ১২.৭০°C |
| ইম্ফাল | ২২.৩৮ °C | ১১.৮০°C |
| সেনাপতি | ১৪.১০ °C | ৯.৬৬ °C |
| তমেংলোং | ২৬.১৯ °C | ১১.৮৪°C |
| থৌবাল | ২৪.২৯ °C | ১৩.৯৪°C |
| উখ্রুল | ১৭.২২ °C | ১০.৮২°C |
| মণিপুর | ২৮.৮৪ °C | ৯.৬৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি স্বাছ ভারত মিসন কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি রিমসকী এম বি বি এস, বি দি এস, বি এস সী (নর্সিং), বি এ এস এল পি, এম, ফিলোজোফি (ক্লিনিকেল সাইকোলোজি) গী মহৈরোয়শিং অমদি ষ্টাফশিংগা লোয়ননা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস হোস্পিটালগী অকোয়বা পুম্নমক্তা লম-তূ শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ রিতানা মহৈরোয়-শিংনা তরু-তনানবা খোঙজং অসিদা থৱায় য়াওনা শরুক য়াখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ঙসিগী থৌরম অসিনা হোস্পিটাল অসিদা লায়েংবা লাক্লিবা পুম্নমকশিংনসু হোস্পিটাল অমদি মসিগী অকোয়বা অসি তরু-তানানবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

## অমোৎপা শেংখ্রে

মোরে, ফেব্রুৱারী ২৬ঃ স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হেল্‌ঠ কম্মিস্নার, চান্দেলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসার, চান্দেলগী মখাদা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মোরে হোস্পিটালবু লূ-নান্না থম্নবা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফ, মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ কী নহারোলশিংনা লম-তূ শেংদোকখ্রে। মোরে হোস্পিটালগী ষ্টাফ অমসুং মোরে ৱার্দ নম্বর ৭কী নহারোলশিং অদুনা হোস্পিটাল অসিগী গেট অমসুং ঈরম-নালাশিং শেংদোকপদা নত্তনা হোস্পিটাল কমপ্লেক্স মনুংদা উ চারাশিংসু থাখি হায়রি।

## ফন্দ দ্রাইভ তৌবীনু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ থৌদা ভাবোক লৈকায় চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপ (ক্লব) না শীন্দুনা স্পোর্টসকী মতেং ওইনবা হাউসি তৌনবা থৌরাং তৌরিবসি নত্তনা লৈকায় অসিদা অতোপ্পা মখল অমত্তগী ফন্দ দ্রাইভ তৌবীগনু হায়না চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপ (ক্লব)কী সেক্রেটরি হামোম কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)


| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 75.153723 |
| US Dollar | 68.565469 |
| British Pound | 95.273083 |
| Australian Dollar | 49.116155 |
| Chinese Yuan | 10.480239 |
| Japanese Yen | 0.613511 |
| Malaysian Ringgit | 16.142073 |
| Nepalese Rupee | 0.625004 |
| Russian Ruble | 0.888996 |
| Singapore Dollar | 48.654998 |
| South Korean Won | 0.055295 |
| Bangladesh Taka | 0.87603 |
| Myanmar Kyat | 0.05537 |
| Thailand Baht | 1.919216 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 29,630 |
| Delhi | – | Rs 29,680 |
| Kolkata | – | Rs 29,650 |
| Mumbai | – | Rs 29,550 |

### অস! লোইরেহে!

সার, মখোয়সি পংয়েৎতা য়েৎলি, তৌফম অমত্তা খঙদ্রে...!



পঙখ্রেদা, বিল থাদোকউনু...!

# পর্সনেল ৫ সস্পেন্দ তৌখ্রবা তুংদা এন এস এফকী খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ

নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ)গী থৌমীশিং তাথি-তাওইনা তৌই হায়না চার্জ তৌরকপা মণিপুর পুলিস কমান্দোগী পর্সনেল মঙা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা তুংদা এন এস এফনা মীতৈ/মণিপুরীশিংগী গাড়ীশিং নাগা তাবা মফমশিংদা চঙবা থিংবগী খোঙজং হন্দোকখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী পি আর ও, আর কে তুতুসনানা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন এস এফকী মিটিং অমা ঙসি কোহিমাদা ফম্লবা তুংদা মণিপুরদা রেজিষ্টার তৌরবা গাড়ীশিং মতম কত্তুনা বন্দ তৌবগী খোঙজং হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।



এন এস এফকী প্রসিদেন্ট সুবেন্থুং কিথাননা মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা ফেক্স মেসেজ অমা থারক্তুনা খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম অদু খঙহল্লকখিবনি হায়না পুলিসকী চেরোল অসিনা মখা তারি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, এন এস এফকী প্রেসরদা কুন্থদুনা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবিখ্রবা পুলিস কমান্দোগী পর্সনেলশিং অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মখাদা লৈবনি। মখোয় অদুদি এস আই, এম দি ইমতিয়াজ রহমন; ৫শুবা এম আরগী হবিল্ডার গুনচন্দ্র; অহানবা এম আরগী রাইফলমেন দব্লিয়ু জিতেন; অহানবা আই আর বিগী রাইফলমেন ও বিশ্বনাথ অমসুং পুলিস কন্সটেবল এন সুরচন্দ্রজিৎনি। মখোয় মঙা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবগী ওর্দর অদু ঙরাং নুমিদাং পুলিস হেদক্বার্টরনা থোকখি হায়রি।

মণিপুর পুলিস কমান্দোগী পর্সনেল মঙা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবগী ওর্দর অদু কোহিমাদা চৎখিবা দি আই জি (রেঞ্জ-ৱান) আই কে মুইভানা এন এস এফকী লূচিংবশিংদা শিন্নখি। মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎলকপা খোঙথাং অদুগী মতাংদা ঙসি অয়ুক কোহিমাদা লৈবা এন এস এফকী ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোক্লবা তুংদা খোঙজং হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি। অদুমকপু এন এস এফনা দিমান্দ তৌদুনা লাকপা মণিপুর লৈঙাক্না মখোয়দা লাল্লে হায়জগদবনি হায়বা ৱাফম অদুদি থবক্তা ওন্থোকখিব্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

ফু-চৈখিবসু লৈতবা, কাঙলূপকী ওইবা ৱাফমসু অমত্তা ঙাংখিদবা পুলিস পর্সনেলশিং ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরকপদা পুলিস কমান্দোগী পর্সনেলশিং মৈ হৌনা শাওনখ্রে। ৱাথোক অসিদগী পুলিস কমান্দো পর্সনেলশিংদা ইস্যু তৌবা ৱায়রলেস সেটশিং ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬ ফাওবা ওফ তৌশিন্দুনা থম্লুরে। মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা খন্নরিঙৈদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগা কমান্দোগী পর্সনেলশিংগা উনরবা তুংদা মখোয়গী অশাওবা ফাথদুনা মুখৎলুরবা ৱায়রলেস সেটশিং অমুক থাগৎতুনা...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

# লৈঙাক্কী লায় দিটেক্টর মেছিন লৈহন্নবা হোৎনরি : গাইখাঙম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ

মণিপুর পুলিস মোদর্নাইজেসনগী মখাদা ষ্টেট অসিগী লায় দিটেক্টর মেছিন লৌনবগীদমক মিনিষ্ট্রিদা চে থানবা থৌরাং তৌরি হায়না হোমগী থৌসু পুরিবা দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙমনা ঙসি এসেমব্লিগী দিমান্দ দিস্কসনগী মতমদা পুলিসকী দিমান্দ খন্নরকপদা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এশিংনা ফোঙদোক্লখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, মণিপুর পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্তা খুমাঙ চাউশিন্নবগীদমক লায় দিটেক্টর মেছিন লৈহন্নবা হোৎনরি। মেছিন অসি লৌনবগীদমক মিনিষ্ট্রিদা চে থানবা প্রোসেস তৌরি। মণিপুর পুলিসকী থবক থৌরাংশিংদা হেন্না খুমাঙ চাউশিনহন্নবগীদমক অকনবা মীৎয়েং থম্লি। মণিপুর পুলিস অসি য়াম্না শোনবা ফোর্স অমদি ওইদ্রে।

হীরম কয়াদা থবক নীংথিনা পায়খৎপা ফোর্স অমা ওইরিবনি। চীংগী লমশিংদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিং নীংথিনা মথৌ তৌহন্নবগীদমক পুলিস পর্সনেল মশিং শুনা হেনগৎহন্নবা মীৎয়েং চঙলি। মসিগীদমক পুলিস পর্সনেলশিং রিক্রুট তৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। রিক্রুটমেন্টকী প্রোসেস কয়াসু চঙশিন্দুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৫গী মার্চ থাদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা বোম পোকখায়বদা শোকখ্রবা মীওইশিংগীদমক পীফম থোকপা কম্পেন্সেসনশিং পীনবা মীৎয়েং চঙগনি। ষ্টেট অসিগী মথৌ তাবা পুলিস পর্সনেল অসি লীশিং ৩৩গী মথক্তনি। অদুবু মশিং অসি য়ৌবা ঙমদ্রি। অৱাৎপা পুলিস পর্সনেল কয়া লৈরিবসি হাপচিন্নবগীদমক মীৎয়েং চঙলি। খ্বাইরম্বন্দগী অকোয়বদা সী সী টি ভী ইন্সটোল তৌহন্নবগীদমক

### দিমান্দ ৱাইজ দিস্কসন

টেন্দর কৌনবা প্রোসেস তৌরি। হন্দক্তগা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনগী মমাঙদা থোংজু এ সীদা মীওই অমগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা থৌদোক অমদি য়ুনাকো স্কুল মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুরি।

মণিপুর তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়ানা পুন্না খুন্দাবা মফম অমনি। ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্না থবক পায়খৎলকপা মতমদা মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা থবকশিং পায়খৎলি। পুলিস দিপার্টমেন্টনসু থবক পায়খৎলকপা মতমদা মীয়ামগীদমক য়েংলগা পায়খৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিমান্দ দিস্কসনগী মতমদা পুলিসকী দিমান্দ খন্নরকপদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ, টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা হায়খি, মণিপুর পুলিসকী ট্রান্সফর এন্দ পোষ্টিংগী ফীভম অসি নীংথিনা য়েংশিনবা চুমগনি। অঙম অথৌগা নক্নবা পর্সনেলশিংনা অনকপদা পোষ্টিং অদুমক তারগা লৈবা অদুগা অঙম অথৌগা নক্লদবশিংনা অরাপ্পদা অদুমক পোষ্টিং তাদুনা লৈবগী মওং থেংনবা য়াওরে। হীরম অসিদা লৈঙাক্না য়েংশিনফম থোকই। হন্দক পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনগী মাঙওইননা থোংজু এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পেচুলম্পাক্তা মীওই অমগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক থোকখিবা লৈ। থৌদোক অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা পুলিসনা নীংথিনা থিজিনবগী মমি উদে। য়ুনাকো মমাঙদসু নোংমৈ কাপ্পনচিংবগী থৌদোক থোকখিবা লৈ। হীরমসিগী মতাংদসু নীংথিনা থিজিনবগী মওং উদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুলিসকী দিমান্দ খন্নবদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ শ্যামকুমারনা হায়খি, ইথম মোইরাংপুরেলদা পুলিস আউটপোষ্ট অমা অথুবদা থম্নবা মীৎয়েং চঙলি। ইথম মোইরাং-পুরেলগী মফম অসি খরা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম ওই। মফম অসিদা পুলিস আউটপোষ্ট থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে। লমদমদুগী মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবগীদমক আউটপোষ্ট অসি থম্নবা থৌরাংশিং লৌখৎপীয়ু। পুলিস দিপার্টমেন্টকী য়াওনা থবক লৌবগী ইন্টরভিয়ুশিং পাঙথোকপা মতমদা রিজল্ট থুনা লাউথোক্লবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

# সঞ্জিৎ, রবিনাগী কেস নৌনা হাংদোক্তুনা থিগৎহন্নবা ৱারেপ্পখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস)ঃ

কুমজা ২০০৯ গী জুলাই ২৩ দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা থোকখিবা খুৎশেমগী শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা চুংখাম সঞ্জিৎ অমসুং টি ঐচ রবিনা মীশিগী কেস সী বি আইনা নৌনা হাংদোক্তুনা থিগৎহন্নবা তকশিনবা হায়না ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দ অপুনবা লূপনা শীন্দুনা ঙসি লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমনা ৱারেপ্পখ্রে।

জষ্টিস ফোর দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ টি ঐচ রবিনা এন্দ সী ঐচ সঞ্জিৎ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুনা ৱারেপ মঙা লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি ববিনা অমসুং সঞ্জিৎকী কেস সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না অমুক হন্না হাংদোক্তুনা নৌনা ইনভেষ্টিগেসন চথুগদবনি। কেস অসিগী অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং মতীক চাবা চৈরাক পীগদবনি।

লৈবাক পুংজাউ থিন্না ৱাথোক ওইখিবা মীশি অসিগী কেস অসি নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হ্যুমেন রাইটস বোদিশিংদা চে থাদুনা খঙহনবা, সঞ্জিৎপু মশামক্লা কাপ্পুনা হাৎপনি হায়না মরাল য়াজরিবা হেরোজিৎপু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ঙাকশেন্দুনা অকিবা লৈহন্দনা থমগদবনি। মহাক্লা মনিং তম্না ঙাঙবদা অপনবা পীরোইদবনি অমসুং কেস অসি অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্লবা ৱায়েলশঙশিংগী থোঙদা চঙদুনা মখা খোঙজং চঙশিনবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

### *সঞ্জিৎকী মমাগী ৱাকৎ হায় কোর্টতগী ৱিদ্রো তৌখ্রে*

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস)ঃ

মণিপুর পুলিসকী হেদ কন্সটেবল থৌনাওজম হেরোজিৎনা মেদিয়াদা পীখিবা লিগেল কনফেসনেল ষ্টেটমেন্টগী মতুং ইন্না মহাক্কী মচানুপা চুঙ্খাম সঞ্জিৎ হাৎপদা চেন্নবশিং পুথোক্লবা নৌনা সী বি আইদা ইনভেষ্টিগেসন চথহন্নবা দিরেক্টিব নিখিবা সঞ্জিৎকী মমা তারাতোম্বীগী ৱাকৎ হায় কোর্টতগী ঙসি ৱিদ্রো তৌখ্রে।

তারাতোম্বীগী ৱাকৎ ঙসি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস লক্ষ্মিকান্ত মহাপত্রা অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিননা শানবা দব্বল বেঞ্চ অমনা খন্নখি। সী বি আই, লৈঙাক্কী অমসুং পিটিসনরশিংগী ৱারোলশিংনা কোর্ট অসিনা তারবা তুংদা কেস অসি...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

# মৌ অমনা হু থক্লগা, অতোপ্পা অমনা থৌরী য়াল্লগা শিরম্লে



ককচীং, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সন্ত্রাম পন্থক লৌকোলদা লৌ য়েংখ্রবা তুংদা হুন্দোক্তুনা থম্বা চন্দ্র মথক্তা মৌ অমা শিরগা লৈরম্লে। অমরোমদা, লুহোংবা চহী ১ রোমতমক ঙাইরিবী মৌনহা অমা য়ুমগী শুমাংদা হৌবা য়োংচাক পাম্বী অমদা থৌরী য়াল্লগা শিদুনা লৈরম্লে।

অহানবা থৌদোক্তা, সন্ত্রাম পন্থক লৌকোলদা শিদুনা লৈরম্বী মৌ অদুগী মমিং নোংমাইথেম ওংবী মেমিচা (৪৫) কৌই। মহাক সন্ত্রাম মমাঙ লৈকায়দগী নোংমাইথেম শ্যামগী লোয়নবীনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

অশিবা হকচাং অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা লৌকোল অদু ফাওদুনা লাকপা মীওই খরনা থেংনরকপনি। মফম অদুগী মীয়াম্না থৌবাল পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মকোকথোংবা পুলিস ওফিসার কয়া লাক্তুনা মীশি অদু য়েংশিনখি।

অশিবা হকচাং অদু লৌ য়েংখিবগী চন্দ্র মরক্তা মমায় উপশিন্দুনা তারমখি। হকচাং অদুগী মনাক্তা কিনাদো হায়না থাবা তিলহাৎ হীদাক বোট্টল অমা তারম্বা থেংনখি। বোট্টল অদু মখুম হাংদোক্লম্বদা নত্তনা হীদাকসু তঙ্খায় খক্তা য়াওরম্মী হায়না মফম অদুদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদু নুপী ওইবা মরম্না থৌবাল পুলিসনা অশিবা হকচাং অদু পাক হেক লৌখৎখিদে। ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিং কৌরগা স্পোটতা নীংথিনা ইগজামিনেসন চথখি। মেজিষ্ট্রিএল ইনক্বেস তৌরবা তুংদা হকচাং অদু লৌখৎলগা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

লৈকায় অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবী নোংমাইথেম ওংবী মেমিচা ইমুং-মনুংগী লৈতা লায়রগীদমক শেল তান্নবগীদমক পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নহারুপ পাগোংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা মেমিচাগী মপামদা লৈবা চহী ২ রোম শুরে।

থা অসিগী ২২দা লৈখিদ্রবী মেমিচা মহাক্কী মপুরোইবগী ময়ুম সন্ত্রামদা লাক্লম্বা লৈকায়গী মীওইশিংনা উহৌখি। নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা মপুরোইবা শ্যামগা মোবাইল ফোন্দা ৱারী শানখি। মদুগী মতুংদা মোবাইল স্বিটচ ওফ তৌরগা ময়ুমদা হল্লকখিদবনি। থা অসিগী ২৩দা ইমুং-মনুংনা পোরোম্পাৎ পুলিসতা রিপোর্ট অমসু তৌখি। তুংদা ঙসি অশিবা হকচাং ওইনা থেংনরকপনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

অনীশুবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, থৌরী য়ান্দুনা শিরগা লৈরম্বী য়ুমগী মৌ অদুগী মিং নিংথৌজম নিঙোল লাইশ্রম ওংবী সোফিয়া (২২) কৌই। মহাক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা থাঙ্গ খুঞ্জেম লৈকায়দগী লাইশ্রম থোইবগী লোয়নবীনি। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# এ দি সী চান্দেলগী ওফিস ইম্ফালদা চলাইবা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ককচীং, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ

এ দি সী চান্দেলগী ওফিস ইম্ফালদা চলাইবদা অয়াবা পীরিবা লৈঙাক্কী থৌওং কন্দেম তৌই হায়না কমিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ ট্রাইবেল রাইটস, চান্দেলগী সেক্রেটরি এন জি জয়চন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কমিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ ট্রাইবেল রাইটস, চান্দেলনা মিটিং অমা থা অসিগী ২৬তা কৌখি। চান্দেল এ দি সীগী থবক থৌরাংশিং অমদি চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা এজেন্দা ওইদুনা মীফম অদু কৌখিবনি। নুমিৎ অদুদা কমিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ ট্রাইবেল রাইটস, চান্দেলগী মীওইশিং মিটিং মফমদা চৎখি অদুবু ওফিসকী ষ্টাফশিংদি লাকখিদে। মসিনা মরম ওইরগা ৱারোইশিন অমা পুরক্লি ফাওবা ওফিস থিংনবগী ফীভম লাকখি। কমিটিগী মায়কৈদগী মকোকথোংবা ওথোরিটিদা ষ্টাফশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা আপিলসু তৌখি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা ষ্টেট লৈঙাক্না নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীদনা লৈরি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা এ দি সী ওফিস চলাইনবা থৌরাংসু লৌখৎতে। ওফিস অসি ইম্ফালদা ওইনা চলাইদুনা লৈরে। মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নরি। ইম্ফাল তানা চৎপদা অৱাবা কয়া ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# শাশিন্নবা ক্বেসন থাগৎলকপশিং থিগৎপীনবা সাইবর ক্রাইম য়ুনিটতা হায়জখ্রে : বিদ্যাসাগর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস) ঃ

কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী ইগজামিনেসনগা মরী লৈনবা মীওই খরনা মোবাইল এপ্লিকেসন ৱাটসএপতা থাদোরকপা ক্বেসন সিট অদু কাউন্সীলবু মীংচৎ থিনবা অমদি মহৈরোয়শিংবু চরাংনবা থোক্লবা থৌরাংনি হায়না কাউন্সীলগী সেক্রেটরি ডা. মাইস্নাম বিদ্যাসাগরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপাড়াদা লৈবা কাউন্সীলগী সেক্রেটরিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা বিদ্যাসাগরনা মখা তাখি, কুমজা ২০১৬ কী হায়র সেকেন্দরিগী ইগজামিনেসন অসি মশক থোকপা ইগজামিনেসন অমা ওইনবা কন্নবা হোৎনরিঙৈদা ঙসি থোকপা কেমিষ্ট্রি সবজেক্টকী ক্বেসন সিট অমা মীয়ামদা ফংলে হায়বসি খঙবা ঙম্লে। অদুমকপু ক্বেসন অসিদি ঙসি পাঙথোকখিবা ইগজামিনেসনগী ক্বেসনগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রদুনা সাইবর নেটতা মীয়ামদা কাউন্সীলবু লান্না উহন্নবা থৌরাংনি। অসিগুম্বা সাইবর ক্রাইম চথুরিবা মীওইশিং ফাগৎতুনা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা সাইবর ক্রাইম য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিদা ৱাকৎ-চেরোল পীশিনখ্রে।

মহাক্না মখা তাখি, ক্বেসন সেট অদু থাগৎলক্লিবা কাঙবু অদুনা থুগাইনবা হোৎনরিব্রা নৎত্রগা কাউন্সীলবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা থৌরাংলা হায়না হংলদুনা থৌওং অসি কাউন্সীলনা হকচিন্না লৌই অমসুং অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীদনবা আপিল তৌরক্লি।

মমাঙদা পাঙথোকপা কাউন্সীলগী ইগজামিনেসন্দগী হন্দক্কীসিনা হেন্না ফজনবা হোৎনবগী মথক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু তেংবাঙ পীদুনা ঈংনা চিক্লা ইগজামিনেসন পাঙথোক্লি। দিষ্ট্রিক্ট ৯ গী দিপ্যুটি কম্মিস্নার, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমদি কাউন্সীলগী মাইক্রো ওবজাভর অমদি ফ্লাইং স্কাদনা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। *মখা লামায় ৩ কলম ১*

# ইশাগী এটেষ্টেসন সিষ্টেম চৎনহন্নবা কেবীনেটতা পুথোক্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৬ (ঐচ এন এস)ঃ

মণিপুরদা সেল্ফ এটেষ্টেসন সিষ্টেম হৌদোক্লবা কেবীনেটতা পুথোক্লগনি, মথং চয়োল ফাওবদা ওর্দর থোক্লবা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঙসি এসেমব্লি মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লি মীফমদা এম এল এ, এল ইবোমচানা সেল্ফ এটেষ্টেসন মোসনগী মতাংদা প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন পুখৎলদুনা ফোঙদোক-খিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, সেল্ফ এটেষ্টেসন সিষ্টেম হৌদোক্লবগী মতাংদা কেবীনেট এজেন্দাদা হাপ্লে। হয়েং পাঙথোক্লদবা কেবীনেট মীফমদা সেল্ফ এটেষ্টেসন সিষ্টেমগী মতাংদা পুখৎতুনা খন্নরগনি। মথংগী চয়োল ফাওবগী মনুংদদি সেল্ফ এটেষ্টেসনগী মতাংদা ওর্দর অমা থোক্লবা য়াই। সেল্ফ এটেষ্টেসনগী ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওইরক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন অদু পুখৎলদুনা এম এল এ, লাইশোম ইবোমচানা হায়খি, তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা সেল্ফ এটেষ্টেসন সিষ্টেম চৎনবা হৌখ্রে। মসিনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ওইহল্লি। এটেষ্টে-সনগীদমক গেজেটেদ ওফিসর থিনবগী অৱাবা অদু লৈহন্দনবগীদমক সিষ্টেম অসি হৌদোকপা য়াম্না মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মণিপুরদা স্পেসল কেটিগোরি ষ্টেটস লৈহন্নবা এসেমব্লিগী ৱারেপ অমা লৌদুনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা তকশিনবা চুমগনি হায়না এম এল এ ডো. আই ইবোহলবীনা ঙসি এসেমব্লি মীফমদা প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখ্রে।

এসেমব্লি মীফমদা প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন পুখৎলদুনা এম এল এ ডো. আই ইবোহলবীনা হায়খি, মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং

### প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন

হান্না স্পেসল কেটিগোরি ষ্টেটসতা লৈরম্বনি। কুমজা ২০১৪দগী এন দি এনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রকখ্রবা মতুংদা স্পেসল কেটিগোরি ষ্টেটস অসি লৌথোকখ্রে। মসিনা সেন্ট্রেল স্কিম য়াওনা সেন্টরনা থাদরকপা ফন্দগী ফীভমদা অহোংবা কয়া লাক্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়ানিংদে। মণিপুরগুম্বা ষ্টেটতা স্পেসল কেটিগোরি ষ্টেটস লৈহন্দবা হায়বসি ষ্টেটসিগী ওইনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরক্কনি। হান্না পীথরম্বা সেন্ট্রেল স্কিম কয়া ককখিবগী মওং কয়া লাক্কনি।

মণিপুর হীরম কয়াদা শোত্থরিবা ষ্টেট অমনি। লম্বী-থোংদা য়েংলবসু ইন্টর ভীলেজ রোদকী ফীভম ফত্তবা কয়া লৈরি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা অহল ওইরবী য়াওনা নুপী কয়ানা মচি মচিদা মৈ থান্দুনা পোৎ য়োল্লিবা অসি নোংমগী চারা তান্নবগী ফীভমদা লৈরিবনি। নোংমগী চারা তান্নবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওই কয়া ষ্টেটসিদা লৈরিবনি। ষ্টেট অসি চাউখৎলবা ষ্টেটশিংগা মান্ননা য়েংবদি চুল্লোই।

বিহারনচিংবা ষ্টেটসু স্পেসল কেটিগোরি ষ্টেটস হঞ্জিনহন্নবা দিমান্দ তৌনরকপা য়াওরি। নোর্থ ইষ্টকী চীফ মিনিষ্টর কয়ানা পুন্না সেন্টরদা চৎতুনা স্পেসল কেটিগোরি হঞ্জিনহন্নবা তকশিল্লুবসু লৈরিবনি। মণিপুর এসেমব্লিনা হীরম অসিগী মতাংদা রিজোল্যুসন অমা লৌদুনা সেন্টরদা থাবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন পুখৎলদুনা এম এল এ ডো. আই ইবোহলবীনা ফোঙদোকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, স্পেসল কেটিগোরি ষ্টেটস লৌথোকখিবা অসি লমদমসিগী ওইনদি য়াম্না অৱাবনি। সেন্ট্রেল স্কিমশিংগী ফন্দংগী মওংদা ষ্টেটনা চাদা ১০, সেন্টরনা চাদা ৯০গী মওংদা লৈরম্বা অদু স্পেসল...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

### ট্রেনি রিপোর্টর অহুম লৌগনি

হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী নুপা ট্রেনি রিপোর্টর অহুম লৌগনি। গ্রেজুয়েট পাস তৌরবা নুপাখক্তনা ফম অসিগীদমক অইবা চেরোল মার্চ থাগী ৫ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ফ্রন্ট ওফিসতা পীশিল্লকপা য়াগনি। ট্রেনি রিপোর্টর খনবগী ইন্টরভিয়ুগী মতম কোন্না খঙহল্লক্কনি। ট্রেনিংগী মতমদা লৈরিঙৈদা ষ্টাইপেন্দ পীগনি। মথৌদা পূক্নিং চঙবা, ট্রেনিংদা মায় পাক্লবা মীওইশিংদা পাউচে অসিগী ষ্টাফ রিপোর্টর ওইবগী খুদোংচাবসু লৈগনি।

HL-C/020/25,26,27,28,29

*হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*